# এটোম বোমদগী হিংহৌখিবা লমজেল্লোয়, য়োসিনোরি সকায়


- লৈশাংথেম অজিৎ -



কুমজা ১৯৪৫গী ওগষ্ট ৬তা হিরোসিমা সহরদা অমেরিকাগী এরোপ্লেনশিং পাইরকপদা বোম থাদবা পাইরকপনি হায়বা খঙদুনা সাইরেন খোংলম্মী। মদুদা অমেরিকাগী ষ্ট্রেট ফ্লশ কৌবা লানগী প্লেন অমা পাইরকখি। প্লেন অদুনা পাউ অমা থাখি মদুদি অকাশতা লৈচিল ইরৈ লৈতে, তরাগী মনুংদা অহুম খক্তংগী চাংচত্তা লৈবা খক্তনি। পাউ অদু 'ইনোলা গেয়' হায়না মমিং থোনবা বোম থাদনবা এরোপ্লেন, বোম্বর প্লেন অদুগী পাইলোটতা পীখিবনি। পুং ৭:০৯দা হিরোসিমাগী নোংথক্তা লৈচিল লৈতে হায়বা পাউ পীখিবনি। পুং ৮:০৯দা 'ইনোলা গেয়' হায়না মমিং থোনবা প্লেন অদুদা এটোম বোম হাপচিল্লগা পুদুনা পাইখি। 'লিট্টল বোয়' হায়না মমিং থোনবা বোম অদু হাপ্লগা হিরোসিমা সহর য়ৌরকপদা মিটর ৯৪০০ ৱাংবদগী বোম অদু থাদরকখি। বোম অদুনা লৈমায় য়ৌরকপদা সেকেন্দ ৪৪.৪ চংই অমদি মসিনা লৈমায় য়ৌগদবা মিটর কয়ামুক ৱাৎলিঙৈদা পোকখায়হল্লি। 'ইনোলা গেয়' দি বোম পোকখায়দ্রিঙৈদা মাইল ১৮.৫ থাপ্না পাইথোকখ্রে। মী লাক্ষ কয়ামরুম হাৎখিবগী থৌদোক অদুগী নুমিৎ অদুমক্তদা হিরোসিমাগী মফম অমদা য়োসিনোরি সকায় পোকখি।

জপান্দা কুমজা ১৯৬৪দা, মসিগী কোনুং টোকিওদা ওক্টোবর থাদা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোক্কনি হায়না ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা কুমজা ১৯৫৯গী মে ২৬তা নোংচুপ জর্মনিগী সহর ম্যুনিক্তা ফমখিবা কম্মিটি অসিগী ৫৫শুবা মীফমদা ৱারেপ লৌখিবদা এসিয়াগী লৈবাকশিংনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি অদুবু নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদি সহর অদুদা গেমস অসি পাঙথোকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা ৱাৎখি। মরমদি ৱারেপ অদু লৌখিবা মতমদা লৈবাক অসিবু অনীশুবা লাঞ্জাওদা য়েক্লবনা মায়থীবা পীদুনা অমাঙ-অতা থোকহনখিবা চহী ১৪ ফাদ্রি। কুমজা ১৯৬৪গী গেমস অদুবু য়ূম্বু ওইজগে হায়না চোংথোরকখিবা সহরশিংদি টোকিও, দ্রেত্রিয়েট, ভেয়না অমসুং ব্রুশেলনি। সহর মরি অসি ভোট লৌনবদা টোকিওনা ৩৪, দ্রেত্রিয়েটনা ১০, ভেয়নাগীনা ৯ অমসুং ব্রুশেলগীনা ৫ ফংখি।

অনীশুবা লাঞ্জাও কুমজা ১৯৩৯দগী কুমজা ১৯৪৫ ফাওবা পাঙথোকখিবদা এলাইদ অমসুং একসিস কৌবা অকনবা য়েংথিনবা কাঙলূপ অনীনা শোক্লখিবা অদুদা এলায়দকী মায়কৈদা গ্রেট বৃটেন, ফ্রান্স, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং সোভেয়ট লেন্দনা মীচং অমা ওইখবগী মায়োক্তা জপান, জর্মনি অমসুং ইটালিগা অকনবা লাঞ্জাও অদু থেংনখি। অকোনবগী কাঙলূপ অসিনা একসিস হায়না খঙনরি। লাঞ্জাও অদুদা জপানবু মায়থীবা পীনবা হোৎনবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা জপানগী সহর ৬৮দা মশীং খঙদনা বোম থাদখিদুনা মাঙ তাকহনখি। মীওই কয়া হাৎখি। কুমজা ১৯৪৫গী ওগষ্ট ৬তা হিরোসিমাদা এটোম বোম অহানবা ওইনা থাদখিদুনা খুদক্তা মীওই ৮০,০০০ হেন্না হৎখি অমদি বোম অদু থাদখিবগী ফলনা মীওই ৬০,০০০ হেন্না চহী অদু লোইশিল্লকপদা শিখি। মীওই ৩৫,০০০ হেন্না অশোক অপন নংখি।



কুমজা ১৯৬৪গী ওক্টোবর ১০দগী ২৪ ফাওবা টোকিওদা পাঙথোকখিবা ১৮লকশুবা ওলিম্পিক গেমসতা য়োসিনোরি সকায় চহী ১৯ থা ২শুরে। মহাকপু গেমস অদু হৌদোকপা নুমিত্তা ওলিম্পিয়াদগী পুরকপা ওলিম্পিক্কী মৈরা অদুবু ষ্টেদিয়মদা থম্লিবা অচৌবা মৈ কন্বী অদুদা চুখৎনবা জপান ওলিম্পিক কম্মিটিনা খল্লম্মী। কুমজা ১৯৪৫দা পোকপা নুপা নুপীশিং অসিবু লমদম অদুদা লান মনুংদা পোকপা নৎত্রগা লান লোইরকপদা পোকপা হায়বগী চৎনবী অমা লৈ। খুদম ওইনা অমেরিকাগী ফিল্ম য়াওবী প্রিশিল্লা প্রেসলেয়, জামায়কাগী ঈশৈ শকপা বোব মারলেম অমদি হোলিৱুদকী জেন মিচেল ভিন সেটনচিংবা লান লোইরমদাইদা কুমজা ১৯৪৫দা পোকপা অফাওবশিংনি। মখোয়গী মরক্তা ম্যান্মারদগী লুচিংবী ওং সান সু চিসু য়াওরি। ওলিম্পিক্কী মিটর ১০০গী লমজেলদা মকোক ওইবী অমেরিকাগী য়োমিয়া টয়ুম অমদি ওলিম্পিক অহুমদা থংনা থংননা ত্রিপল জম্পকী চেম্পিয়ন ওইখিবা রসিয়াগী ভিক্তর সনিয়ভসু চহী অদুমক্তদা পোকখি।

ত্রিপল জম্পতা হান্না মালেমগী রেকোর্দ পায়রম্বা জপানগী টেরুজি কোগাকে লৈবাক অদুগী কোচ ওইনা ওলিম্পিক কয়ামুক্তা শরুক য়ারুরে। মহাক কুমজা ১৯৬৪গী টোকিও গেমস অদুদা শরুক য়াগদবা এথলেটশিংগী কোচনি। মহাক গেমস অদু হৌদোকপা নুমিৎকী থৌরমদা মৈরা চুখৎকদবা য়োশিনোরি সকায়গীসু কোচনি।

মহাক্না য়োশিনোরিদা করম্না মহাক্না মৈরা অদু পুদুনা চেল্লক্লিবা লমজেল্লোয় অদুদগী লৌগনি, মহাক্না মৈরা অদু ওলিম্পিক্কী অচৌবা মৈ কন্বী অদুদা চুখৎত্রিঙৈদা করম্বা ফীভমদা লৈগনি, মৈরা অদু করম্না, করম্বা মতমদা চুখৎকনি হায়বা মথং মনাওশিং নাইনা তাকখি। য়োশিনোরিবু ওলিম্পিক হৌদোকপা নুমিত্তা মৈরা চুখৎনবা খনখিবগী মরমদি মরুওইনা অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতুংদা লানগী অতেক-অকায় ময়াম অদু অমুক শেমগৎলকপা অমসুং ঈং-তপ্পগীগী খোঙজং চংশিল্লকপা অসি মালেমদা খঙহন্নীংবগী নুংগী ওইবা ৱাফমনি। মহাক অসি লৈবাক অদুদা এটোম বোম থাদখিবগী পাউজেল পীবা য়াবা অচৌবা খুদমনি।



ওলিম্পিক্কী চৎনবী মতুং ইন্না ওলিম্পিক গেমস অমা পাঙথোকপা মতমদা গেমস হৌবা নুমিত্তা মৈরা চুখৎকদবা মীওই অদুগী মমিং ফোঙদোক্তে/হায়দোক্তে। অদুনা থৌরম অদুগীদমক্তা য়োশিনোরি সকায়না মহাক্কী ময়ূম হিরোসিমাদগী টোকিওদা লাকপদা টেরুজি কোগাকেগী ময়ূমদা থমখি। মদুদা প্রেসকী মীওইশিংনা মহাকপু থিরকপদা খঙদনবা হোটেলদা লোন্না মতম খরা থল্লমখি।

টেরুজিনা হায়খি মদুদি মতম কুইনা ঙাইদুনা লৈরল্লবা টোকিও ওলিম্পিক হৌদোক্কদবা নুমিৎ অদুগী অয়ুক্তা মহাক্কী ময়ূমদা মহাক্কী নুপীনা অখন্নবা থোংবা জপানগী চাক অঙাংবা থোংলগা পীজদুনা লাই খুরুম্লগা মহাক্কী থবক অদুদা মায় পাক্লবা থিনদোকপীরকখি। অদুবু ওলিম্পিক গেমস হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মহাক্না সেকেন্দ খুদিংদা তৌগদবা মথৌশিং অদু তপ্না তপ্না অমত্তা কায়দনা চথুরম্মী। ওলিম্পিক্কী মৈরা পুরক্লিবশিং অদুগা অমগা অমগা মতম চপ-চপ চানা খূৎশিন্নখি। মতাং অসিদা অইবশিংনা অসুম্না শৈথাখি : য়োশিনোরি সকায়না মৈরা অদু চুখৎনবা থাক ১৮২ কাখৎখিদুনা মফম অদু য়ৌবগা মহাক্কী মখূৎ য়েৎ অদু তিংথোরকখি। অদুগা অচৌবা মৈ কন্বী অদু চুখৎখি। মহাক্না য়েংথরকপদা মচু কয়াগী ফিজোল শেৎপা মীনা সমুদ্রগুম্না উরম্মী। মপালগী পাউমীনা মহাকপু 'এটোমিক বোয়' হায়খিবসু য়াওই । মদুদা মহাক্না খুমখবদি, লানগা মহাক্না তৌনগদবা থবক অমত্তা লৈতে। হৌজিক্তি ঐঙোন্দা য়েংবীয়ু, হৌখিবগী মরমদা খঙবীগনি। মহাক জুনিয়র স্কুলদা তল্লিঙৈদা লমজেল চেনবদা শরুক য়াখি। মথং তারকপদা মায়োসি হায় স্কুলদা তল্লিঙৈদা নেসনল স্পোর্টস ফেষ্টিবেলদা মিটর ৪০০গী লমজেলদা মকোক ওইখি। কুমজা ১৯৬৬তা বেঙ্কোক্তা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেমসতা মিটর ৪০০গী লমজেলদা অনীশুবা তাখি অমদি গেমস অদুদা ৪ x ৪০০ মিটরগী রেলেদা সনাগী মেদল ফংখি। মহাক চহী ৬৯ পুন্সিখি। কুমজা ২০১৪গী সেপ্টেম্বর ১০দা লৈখিদে। মহাক্কী মচানুপা মহাক্কুম্না টেলিভিজনগী থবক তৌরি। মহাক্না ওলিম্পিক্কী মৈরা চুখৎপদা শীজিন্নবা মৈরা হায়বদি মৈনম অদু মহাক্কী মনাক্তা থম্মী। মদু মহাক্না লেকচর তৌবা চৎপদা হেক হেক পুদুনা মীয়ামদা উৎখি। ●



# লংথোক্লুরবা কলচর খুনগৎলসি

- টি ঐচ ইনাও -

ৱাহন্থোক অমত্তদা ৱাহৈ অমমমনা মপূং ফাবা লৈচল নাচোম ওইবা, মগুন লৈবা ৱাহৈ, মফম কনবা নাওফম তাফম্বুনি ইরমদম, ইরৈবাক, পোক্লফম লমদম সনা লৈবাক হায়না শৈথাঞ্জরিবসি। অশৈবা অশৈবী খোর্জৈশূবা কয়ানা তোঙান তোঙানবা শৈশক্তা শৈথাবগী লোয়বা নাইদবা মগুন্না হেনখিবনা অৱাৎপতনা অকাউবগী শরুক ওইহনবা, ৱাৎলবসু ৱাৎনা শৈথারম্মীদো শৈথারকইদো, চীংবু য়েংই ৱাৎতেদো, উজাও-ৱাজাও, অশং-অমান, হৈরাং-লৈরাং, ঈশিং-নুংশিৎ, লৌথুপ-লৌকোয় লৈতনা লোইবি চীংশাং থুংনা মায়কৈ মরিমক খুনতাবা, তমদা য়েংই ৱাৎতেদো লৈহাও চেনবী তম্পাকলম, পলোন চীংশাং চীংলোন্না পীবা লৈহাওনা মহৈ মরোং চুম্মীদো, লোক্তাক ইমাগী লাইজ ইকোন শেমদুনা থৱায় অনীগী লাংওন কুম্মৈ শান্নহন লেমলৈ ঙাগী ৱাৎতবা পোৎথোক পী, লাইজ ঈপাক অসিনা ৱাৎতবা পুক্কে ওই, চীংবুরোই তম্বুরোই নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা পুৱারীবু শেমদুনা ঙসি ফাওবা পুথরক্লি। ইপুনা হায়রম্বা মালেমদা তোমথিন ঙানবী কংলৈপাক সনা লৈবাক মণিপুর। অসিদা নত্তে লমদমসিদা লাক্লম্বা মীথোই মীহেনবা কয়ানা লমদম অসিগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতিবু শাগোন্নদুনা হিংলিবশিং, মখোয়গী মীয়োক মীচান ফজবা, হিংমিন্নবগী মওং, থকসি-খাসি, ৱায়েন পথাপ, চৎন-কাঙলোন, নুংদা লৈরিবা কাঙলোন খঙবা কাঙবুনা কয়াদা ৱাংনা থাঙ্গৎপা ঐখোয়বু । অদুবু ঙসিদি হায়রিবশিং অদো মচু শিথরল্লবা পোৎশক, ঙাক শেনবীনবা লৈত্রবা হৈকোল, চেকখায়রবা লৈমায়, লাংওন অমদা য়েক্লম্বা চৎনলোন পুবা লাইয়েক, চারোন শুরোনগী চাউথোকচবা পুন্মাং মাঙখিবদি নত্তবা ইতোৎ-তোৎশিনবা মানবা মওং অমদা শক্তম লাংবনা খুন্নাই অসিগী মশক, ঈচেল ওইরি।

মণিপুরী কলচরসি অতৈদগী খরা তোঙাল্লি। মালেমগী মীয়াম্না হেক উবদা ঙক্লা য়েংই। থাঙ-তা, জগোয়-ঈশৈ শীজিন্নরিবা যন্ত্র মখলশিং, শাথেক লিরি খোয়রিবা তোঙান তোঙানবা লৈজরিবশিং। কলচরগী মচাক মওং মতৌ লেং-ওৎপা, শক্তম লাংলিবা অনীগী চুশিন্নবা কম্বিনেসন অদু নৎত্রা ফজবা হায়বসি। মালেমসি ষ্টেজনি। ঐখোয় মীওইবনা শক্তম লাংলিবা এক্টরদুনি । অদু ওইরবদি কলচর তৌরসি ঐখোয়। পুঙ, ঈশৈ, জগোয়না অমনি। অমরোমদা ঐখোয় হিংবদা লোয়নগদবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ইপা ইপুশিংনা মীরোন কয়া তুংলমচৎকীদমক ঙাক্তুনা থন্বীরল্লিবা কলচর খরদি ইশাদগী লৌথোক্লগা থনম্লবগুম্বনি। খঙদ্রিঙৈদি খঙদ্রিঙৈনি। খঙলক্লবদি খুনগৎতুনা কলচর তৌসি। কলচর য়াওদ্রবদি মীগী ফম্পাক্তা চঙবা য়ারক্লোই, টেররিষ্ট ওইনা উরক্কনি। মীওইবসি মানা মানা থোকপা খরা পংতৌ তৌনবনা মখল অমনি। অসিগুম্বা নত্তবা মীওইবনা তৌনদবা লমচৎ শাজৎ খরা হেক তৌরকপদা শা অদুম ওল্লে। শা ওনখ্রবা মীশিংদুনা স্কুলগী মহৈরোয় ১০০,২০০ ফাদুনা পুবগী পাউ লৈকো থাদোকপগীসু, হাৎপগীসু, নীংশিংনবা খরা পঞ্জবনি। মালেমগী লৈবাক খরা, মীওই খরা টেররিষ্ট ওইনা উরল্লিবসিনি অদুনা ঐখোয় কলচর তৌসি। কলচর য়াওদ্রবদি ঐখোয়সু মখোয়গুম্না উরক্কনি। মণিপুরসু মতম খরা লমকোয়মশিং, স্পোর্টস পার্সনশিং লাকখিদবা মতম লৈখ্রে। কুমজা ১৯৮৫-৮৬ অদুৱাইদগী হৌনা সী সী মীট হায়না খঙনবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি মপানগী টিম লাকখিদবা হৌরে। মতম অমদদি সার চুড়াচান্দ সিংহ কে সী এস আই সী বি ঈ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি ওল ইন্দিয়াগী টিম অয়াম্বা লাক্লরম্মী। মতমদুদগী হৌনা ঙসি ফাওবা লাকখিদ্রবনি, অসাম রাইফল শিলোংগুম্বা টিম নত্তনা। স্পোর্টস পর্সনশিং ইন্দিয়াগী অফবা ফুটবোল টিমশিং লাকখিদবগী অতোপ্পা মরম অমসু লৈ মদুদি মতমগী মতুং ইন্না ভেল্যু ৱাংবা, ত্রোফি, টুর্নামেন্ট ময়াম অমা তৌশিল্লকপা, ঐখোয়গী সী সী মীটকী প্রাইজ ভেল্যু হেনগৎলক্তবা হায়বসিসু মরম অমনি। অমরোমদা ঐখোয়গী সনা তোপ্পা ত্রোফি অসিগী ভেল্যুসি ঙসিদি লুপা লাক্ষ অমগুম্বদনি। অতোপ্পা মরম অমনা মদু লালহৌবগী ঈরাং লৈরকপা, হাৎপা-তুপ্পা, রেন্সম, দ্রগকী প্রোব্লেম, অঙাং ফাবা অসিনচিংবা কয়াদগী। মীতোপতি লায়রদনা লমদমসিদা হিংজবা, লৈহাওসিদা চাউজবা ঐখোয় ফাওবা মণিপুরদা লৈনীংলক্তবা তাঞ্জা য়াওখ্রে।

করিগী, ঐখোয় কলচর তৌখিদবা, তৌরক্তবা কুইরবনা কলচর য়াওদ্রবদি মশানা মীসে শাগা মান্নে। অদুনা কলচর তৌনবা হোৎনসি। ঐখোয়না কলচর তৌরবতদা লৈবাক অসি ঈং-তপ্পা লৈরক্কদবনি। মী লাকনীংগদবনি, অহানবদা ৱা ঙাঙবগী কলচর, অনীশুবদা থবক শূবগী কলচর (মীয়াম্না ৱর্ক কলচর হায়বদো), মথংদা নম্ফু-হাফুগী কলচর, অহুমশুবদা থম্মোয় শেংবগী কলচর (সিন্সরিটি)। ঐখোয়না তৌগদবা কলচরদি য়াম্মী। অদুবু হৌজিমক্কী ওইনদি মথৌ তারিবসিদং তৌনবা হোৎনখিসি। ঙসিদি চাওখৎপগী কৈরাক কাদুনা পন্দোম লোমখ্রবা লৈবাক অমগী ৱারীনি। লৈবাক্তুনা মখোয়গী সিটিজনশিংদা পীবা অহকপা চৈরাক্কী মশিংসি চহী খরগী মমাঙ ফাওবা খঙলম্মী। ঙসিদি কাউখ্রে। পূক্লিংসু থিংজিন্দ্রে কয়াম য়ামখ্রবনো, অচৌ মচা খায়দে। ৱাফমসিনা তাক্লিবসি চৈরাক্তু পীননবা থবক পায়খৎপদা আ মখাদগী লৈঙাক্তুগী খ্বাইদগী ৱাংবা অরোইবা খূৎয়েক পীগদৌরিবা মীওইদু য়ৌরকপগী লম্বী নাল্লি হায়বসিমদি ময়েক শেংই, মোত্তে । অদুগুম্বা লৈবাক্কী আইন শিংনবগী ফংবা চৈরাক মশীং সিটিজনশিংদুনা খঙবতা নত্তনা মালেম্না খঙনবা ফোঙই। অদুগুম্বা রেকোর্দ মশীংগদু উরুরগা খল্লকখি লৈবাক্তুগী সিটিজনশিংদা লৈরিবা আইন, ইকায়-খুম্নবগী হীরম খুদিংমক্তা লৈরিবা, উরিবা চাওখৎপগী থাক্তু য়ৌরক্লবা হোৎনবদা পীবা চৈরাক ওইরমগনি হায়বসি ৱাখলনা লাম্বা ফংই। ৱারমগনি, মতম চঙলমগনি। শেমগৎ শাগৎপগী উচল শেম্বা হায়বসি অরায়বা নত্তে। অফবা থবক তৌবা মতম চংই, অদুনবু চাওখৎপা হায়রিবনি। ঐখোয়সু মতৌ তম্বা য়ারবগুম্বনি।

অমরোমদা ঐখোয় ৱা-লান ফজনা ঙাঙলক্তবা, ৱা ঙাঙবগী কলচর তৌরক্তবা কুইরে। অনৌবা মীরোলদি পুরা ওল্লগে তৌরবগুম্বনি। মখোয় মখোয়গী মমা-মপাশিংনা থিংগদবনি, শেমদোক্কদবনি। ওজা-গুরুনা, মথক থোংবনা চুম্না লোনগী পুক্কেদা লৈজবা ৱাহৈ-ৱাতা, খোন্থোক শীজিন্নদুনা ৱা ফজনা ঙাঙদ্রদবু মখা থাবনা করম্না কলচর য়াওবা ৱা ঙাঙগনি। হৌজিকসি ইলেক্ত্রোনিক মিদিয়া, সোসল মিদিয়া য়াম্না চাওখৎলে। হন্দক এম পি ইলেক্সন মমাঙদা লৈবাক্কী খন্ন-নৈনবদা অখঙ অহৈ ময়াম, পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিং শরুক য়াবিখি। ঙসি লৈবাক্কী খন্ন-নৈনবদা য়াওবিরিবশিং লৈঙাক্কী থৌদাং পুবিখ্রবা, পুরক্কদৌরিবা ঙাক্লি। অদুবু থৌদাং পুরক্কদৌরিবশিং লৈবাক্কী থৌদাং পুবিখ্রবা, পুরক্কদৌরিবা ঙাকনি। অদুবু থৌদাং পুরক্কদৌরিবশিংনা মীয়াম মমাঙদা লৈবাক্কী খন্না নৈনবদা লাওনবা, খোঙনবা, পংহায়দা হায়জিনবা মসিদনি পোলিটিসিয়নশিং মচিন থি, ওইদবা ঙাঙই, মীবু হুন্দুনা হায়জিন্দুনা ঙাঙ-শকই। মখোয় লোমেকরনি, ওইদোইনি, মখোয়দনি মীয়ামসিগী আশা, আশা থল্লিবা কাঙবুনা মমীংতগী ওইনা থবক তৌবনা খুন্নাই মচি লেংদবনি। অচুম্বা ফজবগী ভেল্যু য়াওবা ৱা ঙাঙলবা, মদুমক থবক্তা ওন্থোক্লবা ঙসাইগী জগোয় ফজবা হায়দুনি। য়াম্না ঈংনা তপ্না লৈবাক মীয়ামদা মচিন থিদনা, তৌরোইদবা থবক্তু ৱা ওইনা ঙাঙলম্বদুনি কলচর য়াওদবা ৱা হায়রিবসি। কলচর তৌসি হায়রবদি অদুগুম্বা ৱা ঙাঙগুমসি হায়বনি।

মণিপুরদা অখঙ অহৈ কয়ানা তৎতনা লাউরিবনি, ঐখোয় ৱর্ক কলচর লৈনবা তৌশি, শূবা নোম্বগী কলচর য়াওদ্রবা কৈদৌঙৈ চাওখৎলোই। ইমুং ওইরো, লৈবাক ওইরো ঙসিগী চাইনাগী ইকনমি মতম অমদা মখাদগী মতোন ফাওবনা নোমখিবদুনি। টাই পুনবনা কলমগী থবক, পাঙ্গলনা পাঙ্গলগী থবক। ঐখোয় চাদনা হিংবা য়ারোই, চানবগীদমক শূবা তাই, নোম্বা তাই। শূবু শূরবা, নোম্বু নোম্লবা খরদি অদুম থোকপনি। পুন্সিসে থবকনি। ঙসিগী মণিপুরগী ওইরিবা ফীভম লৈঙাকলোইশিংনা মীয়ামদা য়েংলিবা মীৎয়েং, মীশিং হেনগৎলকপা, শূফম নোমফম লৈতবা, লৈঙাক্লসু শিন্দবা, মীয়াম অসিনা অরং-অরাক্তা ঙাওবা, ঈরাং তৌবা, মশাগী চগা চাদিংদি খঙজদবা, লৈবাক্কী ৱাখল্লোন্না না কোরি হায়বগুম্বা, লম্বী চৎপদা মখাদা য়েংদবা, লম্বী য়েংদ্রবদি খুদি থিজিনফম থোক্ত্রা অদুনা হিংমিন্নবশিংগী অকোয়বগী শক্তমদা হীদান্নবগী ৱাখল পোকপীরুনু। ফৎত্রবা সিষ্টেম অমনা মাঙহনবিখ্রবা ঐখোয়গী মীয়ামগী ৱাখলনা শূনীং-নোম্নিংবা অমুক হঞ্জিনহনসি হায়রবদি হিংমিন্নরিবা ময়ামসিগী মীৎয়েংদগী নাথৈবা তাই। অদুগা মখোয়গী খোঞ্জেল কিদবা তাই। চৎন-পথাপশিং অদুদগী মসিনা চুম্মী, ফৈ খনবদুদং ইনবিয়ু, অতৈ য়াওবিরুনু। মসিতনা ইশাগী শক্তম লেপ্পা ঙমগনি। ৱার্ক কলচর লৈহল্লক্কনি। হন্থনা য়েংবা মীৎয়েং কিবিরুনু। য়েংলিবা মহাক মতিক চাদ্রবনি। ঐগী ঐগী থাক্তুদা হিংবা তমসি। অমনা অতোপ্পা তৌহন্নীংবা/তৌনীংবা কলচর অমদি ঐখোয়গী লৈবাক্কী, লৈঙাক্কী চাওখৎ থৌরাংগী শেম্বা শাবা, লম্বী থোং, স্কুল, প্রোজেক্ট, মৈ-ঈশিং খুদিংমক কন্ট্রেক্ট সিষ্টেমদা তৌই। অদুনা কন্ট্রেক্টর অমা লৈগনি, মহাক্তুনা ৱার্ক এজেন্সিনি। মণিপুরদা অখন্নবা ৱার্ক এজেন্সি খরা খরা নত্তনা অয়াম্বদি থবক শূবগী চৎন-কাঙলোন ঙাক্তে। খুদম হয়ববু মণিপুরদা স্কুল নীংখায়বা, থোং কিন্থবা, লম্বী অয়াম্বা চহী অনী চৎতবা, কোয়লাস খূৎথা চৎনবী ওইরি। মসি থবক্কী চৎন-কাঙলোন য়াওদবগীনি। মসিদা লমদমসিগী মীওই অমত্তনা কমপ্লেন তৌদে, তৌবা কি। মরমদি মহাক্কী পুন্সিদা শিংনরক্কনি, অচুম্বা ঙাঙবা ঙাকপীনবা লৈতবনা তুমিন্না লৈশিনখি। অদুনা অততায় ওইজে। মীয়ামসিনা থবক খূৎশুসি ঐখোয়বু শিংনবনি খল্লকপা মীৎকুপ্তু ঙায়বা নত্তনদি মীয়ামদা ৱারৌরুবা য়াদে। পার্সেন্টেজ অমদি শেন্দোং খায়দোকখ্রগা থবক্তা থাদনবা পৈশা লৈহৌদবনা সরক অমত্তা চৎপা য়াদে। সরক কোমকুৎনা ৱাই চাই। পাকা লৌবদা দোজর য়াওদনা ঈশিং চায়রিবা টাটা গাড়ীগী চাকানা দোজর ওই, কোইলা মতমদা অমুক্তংগদি চৎলমগদ্রা, থবক খূৎশুসি এপ্রোচ রোদ লৈরক খুল্লক্তা তৌই অদুনা চহী ফাদে। হায়নীংঙাই, তমনীংঙাই, পন্নিংঙাই ঙাক্তনি। অদুবু তমজররোই । হায়নীংবদি অদোম্না শূবিরিবা থবক, লৌবিরিবা পার্সেন্টেজ ইশাগী থবকনি, ইশানা চৎচগদৌরিবনি, ইরন হুরাঞ্জবনি খনবিরবা কলচর মখলসি, ৱাখল্লোনসি লৈরবতদা লম্বী কুইনা চৎকনি, লৈবাক্কী শেঙ্গাওদগী অরেম্বদা পৈশা চৎলোই, এক্সিদেন্টতগী পুন্সি কয়াসু কনবা ঙমগনি।

হিংনবগীদমক ঐখোয় শূসি, নোমসি। লাক্তুনা, ফোইদুনা নম্ফু-হাফু, ওইদবা তৌদুনা হিংনবা হোৎনগুমসি। মসিনা তুংদা অচৌবা প্রোব্লেম ওইরক্তুনা ইচিন ইনাওগী মরক্তা, শাগৈ-নাতৈগী মরক্তা, মীয়াম খুন্নাইগী মমাঙদা নঙ-ঐগা মরী লৈনবা থৌদোক-ৱাথোক অমা থোকপা মতমদুদা কনাগী মচা-মশুনো হংনবা ৱাহংনি। ইচা-ইশুদনা মমা-মপা কনানো হায়না হংলকপা হায়বসি শোয়দ্রবা ৱাহংনি। মতমদুদা চোংথোরক্কনি ঐনা-নঙনা হায়জিন্দুনা পুরুবা শেল, ওইদববু অচুম্বা শাদুনা মীকুপ খরগীদমক তৌখিবা থবকশিংদুগী মনম লেম্না মাঙলোই। মরম অসিননি শূসি, নোমসি হায়রিবসি। অসিদা নত্তে তোঙান তোঙানবা পাম্বৈ থিরক্কনি, মশানা থিরকপা তাবা, হিংদবদি য়াদবনিনা। অমরোমদা লৈঙাক অসিগী পোলিসিদা য়ামখ্রবা ক্বালিফাই ওইরবা মহৈরোয় ময়ামসি থবক পীনবগী মফম লৈত্রবসু অন এমপ্লোইমেন্ট এলাৱেন্সকুম্বা পীনবগী স্কিম ফাওবা পায়খৎতবনা নম্ফু-হাফুগী থবকসিদা অদুম মতারকপা। অচুম্বনি থোক্তবা নত্তে, ঙসি ঙসিমক্কী মণিপুরগী লীলা-দ্রামা, সিনেমাদা উৎলিবসি লীলা-দ্রামা, সিনেমা খুন্নাইসিগী মীংশেলনি। নম্ফুগী কলচর হেন্দা হেনজিল্লক্লগনা লূপকী মীংদা খায়রুবা শেল অশেংবা লূপ নত্তবনিনা মরী লৈনবশিংনা থিরল্লগনা চৈ চাবা তাবা, নোংমৈনা কাপ্লম্বা তাবা নৎত্রগা লূপ য়াওখিবা তাবা, অদুনা নম্ফুগী কলচর থাদোকপীয়ু, তুং কোয়রোই। লৈবাক মীয়ামদা চেঞ্জ চোংজরিবশিংদা মীরৈহৎ ওইগুমসি।

ঐখোয় মশক নাইবা মতিং লৈবা ফুরুপ ওইনা হিংলকপা হৌরকপগী পুৱারী ফজবা মমি কয়াগা লোয়ননা ইপু ইবেন, পারি পুরি, পুরোনলোইশিংদুনা ফুরুপসিগীদমক মরৈবাক ঙাল্লকপা, কল্লকপা, কয়াগী ৱারীনা লীক্লু ওইনা লৈ। অদুবু অনীশুবা লাঞ্জাও মমাঙ অমসুং মতুংগী অনৌবা মীরোলসিদি মতিং লৈবা ফুরুপ কায়দু হায়বা য়ারিবরা হংনীংলকপা কয়া লৈখ্রে। পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদসু য়াওরিবা নিংথৌরেনশিংগী মচিন মনাও মরক্তা মত মান্নবা, মান্নদবা কয়া অদুবু মদুনা মদু ওইখ্রে। তঙ্ককশিং অদুনা পীরম্বা অপূনবগী পাঙ্গল লৈতবগী ফুরুপসিনা মাঙজখিবা কয়াদো ঙসিগী মীরোলসিনা লৌশিং ওইহৌদে, লৌশিং ওইসি হায়বনি পুৱারী মতেক অমা পুশিঞ্জরক্লিবসি। ঐখোয়গী ঙসিগী লৈঙাকলোইশিং আইন শেম্লিবশিং অদোমশিংসু তাঙ্ককসিগী নিংথৌনি, লৈবাক ঙাকলোন শেমদোকখিবগী ৱানি। লৈবাক মীয়ামগী খল্লগা খজিক্তং থম্মোয় শেংবা, ওইজবা থাদোকপা চংই।

ৱারৌবিনু, লো মেকরশিংনা মচু ফজদ্রগদি এগজিক্যুটিভশিংদি করম তৌনি। লৈঙাক অসিনা মীয়ামগীদমক পীরিবা খুদোংচাবশিং অসিগীদমক মীয়াম অসিনা দে-তুদেগী উনগদৌরিবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্তা ফম্বীরিবা এগজিক্যুটিভশিং অসিনা সিন্সরিটি লৈতবগী রেকোর্দতি পঞ্জররোই। পননবগীদমক মচাক মরাং কায়না লৈ। ঙসিগী ঐখোয়দি য়াম্না শিংলবা গ্লোবলগী পাউ মীকুপ খুদিংগী তারবা, কনা কনা কদায় য়ৌখ্রে, ঐখোয়না কদায়দা লেপহৌরি খঙলবা, অদু ওইরদি ঐখোয় ইশা হান্না থম্মোয় শেংনবগা লোয়ননা মরী লৈনবশিং মথৌ তৌহন্নবা হোৎনবা চংই। মেন মান তাগে তাও, তারোই তোকউ ইশা ইশা খুন্নাই অসিদা হিংলিবা, খুলিংবদা য়াওরিবা মচাক অমনি হায়বসি মীৎকুপ খুদিংগী নীংশিংনবা অমা চংই। অদু ওইরদি থাজবা খরদি পীরম্বা ঙমগনি খল্লি নৎত্রবদি তুংগী মীরোলগী লম্বী অমত্তসু থল্লমদবা, য়াৎলমদবা মীরোল ওইখ্রনি। মসিসু কলচর মখল অমনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।